হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses

সেকমাই এ সীগী এম এল এ দিঙ্গো দিসক্কালিফাই তৌ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা থাংমৈবন্দ মায়কৈদা মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিংনা থাংমৈবন্দ বন্দ তৌবগী শক্তম

লামায় ১

অরাম্বম সমরেন্দ্র ট্রষ্টনা শীন্দুনা পিপলস রেজিষ্টেন্স মুভমেন্ট এগেনষ্ট দেমোগ্রাফিক ইনভেসন ইন দ নোর্থ ইষ্ট: দ মণিপুর এক্সপ-রিয়েন্স হায়বা টোপিক্তা পীবা লেকচরগী থৌরম

লামায় ৪

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং সীটি পুলিসকী টিমনা মেজোর খুলদগী ফাগৎলকপা ময়াই কাবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং পুনবা থৌরাং তৌবা

লামায় ১

মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙ-লেন্দা পাঙথোকপা অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী ১৭শুবা কুমওন থৌরম

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.078 নোংমাইজিং, ইঙা ১৭ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, June 11, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৪.৭৮ °C	২৫.৮১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩৩.৬৮ °C	২১.৪৮ °C
সেনাপতি	৩১.৪৫ °C	২১.০৫ °C
তমেংলোং	২৯.৫২ °C	২২.৫৬ °C
থৌবাল	৩১.৬৬ °C	২২.১৬ °C
উখ্রুল	২৪.০৫ °C	১৭.৩০ °C
মণিপুর	৩৫.০১ °C	১৭.৩০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৯৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফারে

ইম্ফাল, জুন ১০ : ইম্ফালগী কাখুলোংদা লৈবা গোদাউন্দ অমদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং সীটি পুলিসকী টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা রেইদ চথবদা লুপা লাখ ৮ লোমগী মমল ওইগদবা য়াম্লবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু তোঙান-তোঙানবা বেগ ৮৪ দা হাপ্লগা থম্লম্বনি। পোৎলমশিং অদুগী মপূনি হায়বা ময়াং অনী অমসু পুলিসনা ফাগৎখ্রে। য়াম্লবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা ফারবা মীওই অনী অদু ফুন্দ সেফটি ওফিসরদা মখা তাবা লোগী ওইবা থবক লৌখৎননবা শীন্নখ্রে হায়রি। অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ন্যু বাজার এরিয়াদা থিবা হুন্বা চথবদা গোদাউন অমদগী য়াম্লবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুলিসনা ফাগৎলবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদুগী মপূ অদুসু বিহারদগী ন্যু লমকাদা লৈবা মীশকনি হায়রি। মফম অদুদগী ফাগৎখিবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু চাওরাক্লা লুপা লাখ ১.৫ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

থাংমৈবন্দদা বন্দ

ইম্ফাল, জুন ১০ : সেকমাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা নুপীমচা অমদা নমথাক তৌরম্বগা মরী লৈননা মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌ অমসুং লোগী ওইবা থবক লৌখৎলু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কৌখিবা পুং ১২গী থাংমৈবন্দ এরিয়া বন্দনা মরম ওইরদুনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন্দা চাওনা অকায়বা থোকখ্রে। নুপী কয়ামরুমনা দি এম কোলেজগী গেট মপাদা লম্বীদা ফম-জিন্দুনা অচৎ-অওক তৌবশিং থিংখি। এম এল এ অসি মফম লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Chingmee singgi numitta manung hanjinna leiba chinggi khulsinggi chief sing laklamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Santhi chena saba peti supply toubagi wathokta police officer sing chennade haina louba yabra?

Yes 10% No 90%

অস! লোইরেহে!

ইচাদু ঐগী স্কুলদা তমহনবীরো, লুপা লাখ ২সু পীজরগে.. !

ꯏꯆꯥꯗꯨ ꯑꯩꯒꯤ ꯁ꯭ꯀꯨꯜꯗꯥ ꯇꯃꯍꯟꯕꯤꯔꯣ, ꯂꯨꯄꯥ ꯂꯥꯈ ꯲ꯁꯨ ꯄꯤꯖꯔꯒꯦ...!



ট্যুসনদা চঙখিবা শেনফম য়ৌদে...!

ꯇ꯭ꯌꯨꯁꯟꯗꯥ ꯆꯉꯈꯤꯕꯥ ꯁꯦꯅꯐꯝ ꯌꯧꯗꯦ...!

অনীরকশুবা চীংমীশিংগী নুমিৎ- সী এমনা চীংমীশিংগী ৱাকৎ তাখ্রে

লম্বী শেম্বীনবা, ঈশিং ফংহন্নবা ৱাকৎনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :

অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা চীংমীশিংগী নুমিৎতা ঙসি ষ্টেট অসিগী লোইজিং-লোয়াদগী লাকপা চীংমী-শিংনা পুখৎলকপা ৱাকৎশিং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা তাখ্রে।

চীংগী লুচিংবশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ামরুমগী লুচিংবশিংনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা চীফ মিনিষ্টরগী গেটতা লাক্লখি অমসুং চীফ মিনিষ্টর উননবা পাস লৌনখি। মখোয়বু অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ তাবদগী চীফ মিনিষ্টরনা উনবা হৌখি। চীংমীশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাকৎশিংগী মনুংদা লম্বী-থোংগী ফীভম ফগৎহনবীনবা অমসুং থক্লনবা ঈশিং ফংহনবীনবনা অয়াম্বা ওইনা তৌখি।



চীংগী মীওই কয়াগা উনদুনা ৱারী শানখিবা অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্লা মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্ন-নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। মীয়াম্না লৈঙাক অসিদা থাজবসু হেনগৎলক্লি। মীয়ামগী থাজবশিং মাঙহন্দনা থবক তৌনবা লৈঙাক্লা লেপ্লি। চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদা লম্বী-থোংগী ফীভম ফত্তবা, থক্লবা ঈশিং নীংথিনা ফংদবা অমদি অৱাৎ-অপা কয়াগী মতাংদা পুখৎনরকই। কম্যুনিটি হোল অমদি প্লেগ্রাউন্দশিং শাবীযু হায়বা ৱাকৎ কয়াসু লাকই। লায়রবনা মরম ওইদুনা হিংবদা খুদোংচাদবা মীওই কয়াসু অৱাৎ-অপাগী ৱাকৎ কয়া পুদুনা ৱাফম কয়া থম্নরক্লি। মীয়ামগী ৱাকৎশিং অমদি অপাম-পামদশিং অসি লৈঙাক্লা নীংথিনা তারি। মমাঙদা মীয়ামগা উনখিবা মতমদা থম্লকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা থবক ওইনা ওন্থোকপা কয়া অমসুং য়াওখ্রে। থবক ওইনা ওন্থোকপদা মতম চঙগদবসু য়াওরি।

ষ্টেট অসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট হায়ৱেশিং অমদি নেসনল হায়ৱেগী ওইনদি নীংথিনা শেমগৎনবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা শেল কায়থোকপগী লাউথোক্লম্বা লৈখ্রে। শেমগৎ-শাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চথরক্লিবনি। আই ভি আরশিং শেম্নবগীদমক লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা পাম্মী। চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াগী লম্বীশিংসু শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ। আই ভি আরশিং শেম্নবা লুপা ক্রোর ৬০০ কী দি পি আর শেমদুনা সেন্টরদা তানরি। হিল এরিয়া দিভ-লপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা চান্দেল, তমেংলোং, চুড়াচান্দপুরনচিংবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা মখল কয়াগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎনবগী থৌরাং অমসু লাক্কদৌরি।

ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী থক্লবা ঈশিংগী অখন্নবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ২,৩০০ গী প্রপোজেল অমসু থাখ্রে। য়ূমথোঙ খুদিংদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা লৈঙাক্লা থমখিবা টার্গেট অদু য়ৌবা ঙম্নবা শেমগৎপা তঙাইফদে।

চান্দেলদা ব্লাইন্দ স্কুল অমা লিংখৎপীনবগী মতাংদা ঙসি চান্দেলগী মীওইশিং লাক্তুনা ৱাকৎ অমা থম্লকই। মসি য়াম্না চুম্বা অমনি। তৌসেমদা মিটর ১২০ হেন্না ৱাংবা রোক লৈবা অমদি টুরিজমগী ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

এসেমব্লিগী প্রোসিদিং মীতৈ ময়েক্তসু ফংহল্লগনি : স্পিকর

এসেমব্লিগী প্রেস এদভাইজরি কম্মিটি শেম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :

এসেমব্লিগী প্রোসিদিংশিং অমসুং মরী লৈনবা চে-চাংশিং ইংলিশ অমসুং মণিপুরী (বেঙ্গোলি স্ক্রৃপ্ট) গুম্না মীতৈ ময়েক্তসু নম্লগা ফংহল্লগনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা শীন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা এসেমব্লি অসিগী কম্মিটি রূমদা পাঙথোকখিবা এদিটরশিংগী ইন্ট-রেক্সন প্রোগ্রাম অমদা স্পিকরনা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক ক্লাস টুয়েল্ভ তম্লিবা মহৈরোয়শিং বেঙ্গোলি স্ক্রৃপ্ট পাবা থোকখিদ্রে। চহী খরগী মতুংদগীদি মহৈরোয়শিং অসি এম এ ফাওবা তম্লক্লগনি। মখোয়গী য়েংলগা অমসুং তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোল-গী খল্লগা মীতৈ ময়েক্তা এসেমব্লিগী প্রোসিদিংশিং অতৈ লোলগুম্না ফোঙবগী তঙাইফদবা লাক্লে।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা পাউচে অসিগী এদিটরনা এসেমব্লিগী বুলেটিনশিং, বিজিনেস অমসুং গভর্ণর এদ্রেসনচিংবগী চেরোলশিং মীতৈ ময়েক্তসু নম্লগা মীয়ামদা ফংহন্ননবা ৱাফম অদু পুখৎখিবনি। মসিদসু নৎতনা নৌরিবা পাউমীশিংদা পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদিংস মমুৎ তানা খঙহন্ননবা অমসুং পাউচেদা এসেমব্লি মীফমগী কোভরেজ তৌবদা হেন্না নুংঙাইনবা পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিংগী মতাংদা নুমিৎ হুম্লিগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লনবা ৱাফমসু হৌদোকখি।

অতৈ পাউমীশিংগী ৱাফম কয়ামরুমসু তারবা তুংদা ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ অহুমখক লৌখি। ৱারেপ অহুম অদুদি, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী প্রেস এদভাইজরি কম্মিটি অমা শেম্বা, নুমিৎ হুম্লি চথুগদবা পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিংগী ফেমিলরাইজেসন প্রোগ্রাম অমা শীনবা, এসেমব্লিগী প্রোসিদিংশিং অমসুং বিজিনেস য়াওনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং ইংলিশ অমসুং মণিপুরী (বেঙ্গোলি স্ক্রৃপ্ট) গুম্না মীতৈ ময়েক্তসু নম্বগী ৱাফম য়েংশিনবা হায়বসিনি।

মীফম অদুগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১৪ দগী ১৮ ফাওবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী কেপিটোল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬শুবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল কমনৱেল্‌থ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিএসনগী চহীগী মীফমদা পাউমীশিংনা পাউ নীংথিনা কোভরেজ তৌবীননবা স্পিকরনা এদিটরশিংদা আপিল তৌখি।

কনফরেন্স অসিদা লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজন অমসুং নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট তরেৎকী স্পিকরশিং শরুক য়াগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

অরঙবা থৱানমিচাক কেনখ্রে: কে ৱাই কে এল

ইম্ফাল, জুন ১০ : এন এস সী এন (কে)গী লুচিংবা এস এস খপলাংনা খঙহৌদনা লৈখিদবসি ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল অতিয়াদা য়াওল মায়কৈ তাক্লম্বা অরঙবা থৱানমিচাক অমা কেনখ্রে হায়না কংলৈ য়াওল কন্ন লুপ (কে ৱাই কে এল) গী চেয়রমেন এন ওকেননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসিগী চহী কয়া মীখা পোন্দুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী লোয়লম লৈঙাক্লা নমথবীরবা মীয়াম্না নুংশিনা অমদি ইকায়খুম্নজদুনা 'বাবা' হায়না মীঙ্গৌজবা এন এস সী এন/জি পি আর এনগী চেয়রমেন, এস এস খপ্লাং ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.০৫ রোম তাবা মতমদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

এস এস খপ্লাং য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা নাগা মীয়ামগীদমক ৱাজদুনা লাকখিবা মীওইনি। হায়স্কুল তম্লিঙৈ মতমদগী হৌরদুনা বর্মাদা লৈবা নাগা মহৈরোয়শিংগী ঈহৌদা মাঙজিন থানা শরুক য়ারকখি। মরৈপাক অমদি মরৈচাশিংবু নুংশিবা হায়বসিমদি শিংলি-নাওরি অমদি লু-তোঙদা পক্তুনা পোল্লকখ্রবা য়াওলগী লুচিংবনি বাবা খপ্লাং। য়াওলগী লাইপোকনি হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৬৪ দা এ জেদ ফিজোনা ইন্দিয়াগী মথক্তা লাল লাউথোকখ্রবা চহী তরামুক্কী মতুংদা এস এস খপ্লাংনা নাগা দিফেন্স ফোর্স (এন দি এফ) লীংখৎখি। দিফেন্স ফোর্স অসি লীংখৎখ্রবা চহী অমগী মতুংদা হায়বদি কুমজা ১৯৬৫ তা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ রেভোল্যুসনরি কাউন্সিল (ঈ এন আর সী) গী ভাইস চেয়রমেন ওইখি। মতুং তারকপদা কুমজা ১৯৭৮ তা নাগা ফেন্দরেসন গভর্ণমেন্ট (এন এফ জি) গী প্রসিদেন্ট ওইখি। কুমজা ১৯৮০ দদি নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) লীংখৎতুনা লুপ অসিগী ভাইস চেয়রমেন ফম পায়খি। কুমজা ১৯৮৮ তা এন এস সী এনদগী ইসাক চি শু অমসুং মুইভানা তোখায়না থোকখ্রবা মতমদা মহাক্লা লুপ অসিগী চেয়রমেন ওইনা নাগা মীয়াম অমদি এন ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

থুইঙালেং মুইভানা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ : নেসনেল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন)গী চেয়রমেন ওইরম্বা শঙৱাং শঙয়ুং খপলাং (এস এস খপলাং)না থা অসিগী ৯গী নুমিদাংৱাইরমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এন এস সী এন (আই-এম)গী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভানা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিমগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এস এস খপলাংনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি। এস এস খপলাংগী পোলিটিকেল মিষ্টেক অমদি ক্রাইমশিং ঙাকপীরে। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী থৱায়না মপূগী মফমদা ঈংন-চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এম এন পি এফনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ : এন এস সী এন/জি পি আর এন অমদি য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ৱেষ্টর্ন সাউথ ইষ্ট এসিয়া (য়ু এন এল এফ দব্লিয়ু)গী চেয়রমেন ওইরম্বা শঙৱাং শঙয়ুং খপলাং (এস এস খপলাং)না খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙখ্রে।

লুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোমাস ন্যুমাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা এস এস খপলাং অশেংবা রেভল্যুসনরি লীদর অমনি। মহাক্লা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগীদমক কন্না হোৎনরম্মী। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা রেভল্যুসনরি মুভমেন্টকীদমক কথোকখি। নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না মহাকপু বাবা খপলাং হায়নসু খঙনরিবনি। মহাকপু ফাদর ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ...

মখা লামায় ৩ কলম ১

কে সী পিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১০ : ঙরাং এন এস সী এন/জি পি আর এনগী চেয়রমেন ওইবতা নত্তনা য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ৱেসিয়া (য়ু এন এল এফ দব্লিউ) গী চেয়রমেন এস এস খপ্লাং (৭৮) না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না লুপ অসিগী মেম্বর ইন চার্জ, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী এস মঙালনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, কে সী পি অমদি মসিগী লান্মী শিংলুপ মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) গী সী ঐচ ক্যু, জি ঐচ ক্যু, ১৩১ বট্টালিয়ন, ১৪১ বট্টালিয়ন, ট্রেনিং সেন্তর অমদি অতৈ অতৈ য়ুনিটশিংদা এস এস খপ্লাং লৈখিদবগী মতাংদা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ...

মখা লামায় ৩ কলম ৫

উল্ফা-ইন্দিপেন্দেন্টনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১০ : নেসনেল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন-কে)গী চেয়রমেন এস এস খপলাংনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উল্ফা-ইন্দিপেন্দেন্ট)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

উল্ফা-ইন্দিপেন্দেন্টগী এসিষ্টেন্ট ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মেজর অরুনুদোয় অসোমনা পাউচে অসিদা থারকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমনা হায়, য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ৱেষ্টর্ন সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী চেয়রমেন ওইনা লুচিংবা অসিনা রিজন অসিদা ঐখোয় পূন্না লেপমিন্ননবা য়াম্লা কন্না হোৎনরম্মী। মহাক্লা তাইবংপান থাদোকখিবসি চাওনা মাঙজবা অমনি। লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ক্লাস টেন পাস তৌদবা মীওই ওজা খনবদা য়াওরম্লে : এ আই এস এফ

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :

রাষ্ট্রিয়া মৈধ্যমিক সিক্ষ্য অভিয়ান (আর এম এস এ)গী অপ্পর প্রাইমারি ওজা লৌবদা ক্লাস টেন পাস তৌদবা মীওইশিং য়াওরম্লে হায়না এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন সনাহলনা মরাল শীখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা এ আই এস এফকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, কুমজা ২০১৬ তা আর এম এস এগী অপ্পর প্রাইমারি ওজা লৌখিবা অদুগী মরক্তা শেংদবা সর্টিফিকেট পায়বা খরা য়াওরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈবদগী এ আই এস এফনা থিগৎলকখি। থিগৎলুবা মতমদা আর এম এস এগী অপ্পর প্রাইমারি ওজা লৌবগী এপ্লাই তৌরকখিবা কেন্দিদেট কয়াগী মরক্তা দোক্যুমেন্ট অশাবা থাজিন্নরকপা থেংনরে হায়না মরাল শীরক্লি।

শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পায়রগা ওজাগী পোষ্ট অসি খনখিবা কয়া য়াওরে হায়বগী খুদম চাংদম চপ চানা লৈরে। অরানবা থৌওং চথখিবা অসি মতমদুগী দিরেক্টর অমদি মরী লৈনবশিংনা কুপ্পা য়েংশিন্দবদগীনি। সর্টিফিকেটশিং অসি বোর্ড অমদি কাউন্সিলশিংদা চৎতুনা থিগৎলুবদা শেংদবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। থবক লৌবদা চেন্নরিবা ওঠোরিটিশিংগী চেকশিন্দবা অমদি ভেরিফিকেসন তৌদনা ...

মখা লামায় ৩ কলম ৫

এগ্রো ফোরেষ্ট্রি মেনেজমেন্টকী মতাংদা সেমিনর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :

ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা শীন্দুনা সস্তেনেবল এগ্রো ফোরেষ্ট্রি মেনেজমেন্ট ইন মণিপুর হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল সেমিনর অমা ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) দা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনর অদু হৌদোকপগী থৌরমদা পি ঐচ দেবান প্রসিদেন্ট অমুকো, লোংজম মেমচৌবী প্রসিদেন্ট পোইরৈ লৈমরোল, রিসিকান্ত প্রসি-দেন্ট ইরাবত ফাউন্দেসন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। এদিটর্স গিল্ডগী প্রসিদেন্ট এ মোবীনা মোদেরেটর ওইনা পাঙথোকখিবা সেসন অদুদা টি ব্রজকুমার দেপ্যুটি দিরেক্তর ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি ৱিঙনা রেন ৱাটর হার্ভেষ্ট এন্দ সস্তেনেবল য়ুজেস, টিঐচ মহেন্দ্র প্রতাপ চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্টনা কেচমেন্ট এরিয়া এন্দ ৱাটর সেট মেনেজমেন্ট হায়বা হীরম অসিদা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

অনীশুবা সেসনদা দব্লিউ ইঙো রিটায়র্দ হেদ হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট সী এ য়ুনা মল্টি ফার্মিং অমসুং ডা. আর কে রঞ্জন ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্টনা রিভরাইন ইকো সিষ্টেম মেনেজমেন্ট ইন মণিপুর হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাংখি।

সেমিনর অদু হৌদোকপগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা পিঐচ দেবান্না হায়খি, শেঞ্জাও ...

মখা লামায় ৩ কলম ৭

অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী থৌরম

ইম্ফাল, জুন ১০ : শক্লাইরবা অইবা অমসুং সোসল ৱার্কর অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী থৌরম ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লুখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম ১৭শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র মার্টরদম এনিভ-র্সরিনা শীন্দুনা সলাম্থোং খুরাই নান্দেবম লৈকায়দা লৈবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী নীংশিং খূভমদা পাঙথোকখি। মীয়াম্না লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখি। কাউন্সিল অসিগী চীফ এদভাইজর ডা. এম নরা, লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট টি ঐচ গুনচন্দ্র, কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসিনচিংবা কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

মরাল শীরকপা য়ানিংদে: দিঙ্গো

য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

kmai A/C
OF SEKMAI A/C

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :

হন্দক লমদম অসিদা ফোঙবা পাউচে খরদা সেকমাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী মরমদা লান্না উহন্দুনা মীয়ামদা চম্নবা পোকহল্লিবসি লায়বক থিবনি হায়না এম এল এ অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙখ্রে।

খুরখুলদা লৈবা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী য়ুমদা পাউমীশিংগা ঙসি উনবদা মহাক্লা হায়খি, থোক্লিবা ৱাথোক অসি অসুম তাদুনা লৈরম্বনি। অদুবু য়াম্না অন-পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱাফম কয়া য়াওরকপদগী মহাক তঙায়ফদনা শেংদোক্তবা য়াদবদগী ৱাফম খরসি ফোঙদোকপনি।

মহাক্লা হায়খি, পাখঙ লৈশাবী লোয়নবা, তিন্নবা হায়বসি মীওইবগী চৎনবীনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবী নুপী অসি ...

মখা লামায় ৩ কলম ৫

হেরিটেজ কনভেন্টনা মহৈরোয় ৩ দা লুপা লাখ ১/১ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা কুমশি চহীগী হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসনদা নিপানশুবা পোজিসন তারকখ্রবী বিদেলী অঙোম, ১৫শুবা পোজিসন তারকখ্রবী খোইস্নাম সোনিয়া অমসুং ২১শুবা পোজিসন তারকখ্রবী আর কে জয়শ্রীদা হেরিটেজ কনভেন্টকী মায়কৈদগী লুপা লাখ ১/১গী শেলগী মনা লাম্থোক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

পোজিসন লৌরকপা মহৈরোয়-শিংদা লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা পীগনি অমসুং চাদা ৮৫ কী মথক্তা ফংলকপা মহৈরোয়শিংদা লেপ্তোপ অমমম্ খুদোল তমগনি হায়না স্কুল অসিগী ওঠোরিটিনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবা মতুংইন্না মনাশিং অদু ঙসি উরিপোক্ত লৈবা মহৈশঙ অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা হেরিটেজ কনভেন্টকী ফাউন্দর সঞ্জেনবম বিক্রম অমসুং মহৈশঙ অসিগী হেদমিষ্ট্রেস সঞ্জেনবম ওংবী অনিতানা চাদা ৮৮ কী মার্ক ফংলকখিবা স্কুল অসিগী মহৈরোয় নিংথৌজম সোনিয়া অমসুং চাদা ৮৭ ফংলকখিবী থোকচোম গোল্ডীদা লেপ্তোপ অমমম্ খুদোল তমদুনা পুক্লিং থৌগৎখি। মসিদসু নৎতনা মহৈরোয়শিং পোজিসন লৌহন্নবা অমসুং মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংহন্নবা লাইরিক ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1593/14 May-14 June